

# সনালৈবাক স্পোর্টস





*য়ু এস এগী কোলর সহরদা পাংথোকপা পি জি এ চেম্পিয়ন্সিপকী অনিশুবা রাউন্দদা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙম্লিবা জপানগী শান্নরোই হিরোসি ইৱাটা*

*ফিফাগী প্রসিদেন্টকী মীখলদা হন্দোক্তুবদি জেলদা লৈগনি হায়না মাইকেল প্লাটিনিনা কিহল্লকখি হায়বা ৱাফম ফোং দোকখিবা হান্নগী ফিফাগী প্রসিদেন্ট সেট ব্লাটর*

## নুপীগী ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱাল স্পেনগী কেরোলিনাগা থেংনরগনি

জকরটা, আগষ্ট ১৫ ঃ

নুপীগী ৱার্ল্ড বেদমিন্টনগী নম্বর ২ শান্নরোই ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱাল অমসুং ৱার্ল্ড নম্বর ১ শান্নরোই স্পেনগী কেরোলিনা মারিননা ইন্দোনেসিয়াগী সহর জকরটাদা লৈবা ইষ্টোরা সেনায়নদা পাংথোক্লিবা ২২শুবা ৱার্ল্ড বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপকী নুপীগী ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি।

ঙরাং ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱাললনা চাইনাগী ৱার্ল্ড নম্বর ৬ ৱাং য়িহানবু পুং ১ হেন্না শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ২১–১৫, ১৯–২১, ২১–১৯দা মায় থিবা পীদুনা মহাক্কী কেরিয়রগী অহানবা ওইনা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপকী সেমি ফাইনেল চংলকপনি। নিংশিংবা য়াবদি, নেহৱাললনা শরুক য়ারকখিবা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ ৫দা ক্বার্টর ফাইনেল লাম্থোকপা ঙমদনা লাকখিবনি।

ঙরাং মায় পাকখিবা অদুগী মতুং ঙসি সেমি ফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু লৈবাক ইন্দোনেসিয়াগী শান্নরোই লিন্দাৱেনি ফানেত্রিগা লম্বা তৌননবা শেম শাখি। পনবা য়াবদি, ইন্দোনেসিয়াগী শান্নরোই ফানেত্রিগা সাইনাগা মমাংদা থেংনখিবা মেটচ ৩দা সাইনানা মেটচ ২–১দা মাংজিল থাদুনা লাকখিবনি।

য়ুম্বু লৈবাক ওইবগী ভাবোকশিংগী অচৌবা মতেং ফংখিবা ফানেত্রিবু সাইনা নেহৱাললনা অহানবা গেমদা য়াম্না অকনবা লম্বা নত্রবসু পোইন্ট লৌনবদা মপুং ফানা খুদুম চনবগী মওং উখিদে। অদুবু এক্সপরিয়েন্স লৈরবী সাইনানা মরু ওইবা তানফমদা পোইন্ট লৌবা হেনবদগী গেম অদু ২১–১৭দা থোইদুনা গেম অমা মাংজিল থাবা হৌখি।

অনিশুবা গেম হৌরকপদগী ইন্দোনেসিয়াগী শান্নরোই ফানেত্রিনা সাইনা নেহৱালবু মহাক্কী মায়কৈদগী লৈজবী পুম্বা পুথোক্তুনা গেম অদু থোইদবা য়াদে হায়বগী মওংদা শান্নবা হৌরকখি। মাংজিল থাবসু ঙমখি। গেম অদুগী তঙ্খাই চনদ্রিফাওবদি ফানেত্রিনা পোইন্ট ২ হেন্দুনা লৈখি। পোইন্ট ৮–১০দা শোত্থদা লৈরম্বদগী সাইনা নেহৱাললনা মহাক্কী মশান্নদা মগুন লৈবা ক্রোসকোর্ট সোট অমদি নেটপ্লেগী ফজবা মওং উৎপা ঙম্নকপদগী পোইন্ট মান্নরকখি।

সাইনা নেহৱাললনা য়ৈরকপা সোট অমা আউট তাই হায়না লাইন্স মেননা পীরকখিবা অদু চিংনবদগী নেহৱাললনা অম্পায়রদা রিপ্লে তৌননবা মহাক্কী মায়কৈদা ফংখিবা খুদোংচাবা ৩গী মনুংদা ১ শিজিন্নখি। হায়রিবা সোট অদু লাইনদা চপ চানা তারম্বদগী পোইন্ট অদু মহাক্না ফংখি।

সাইনা পোইন্ট ১৬–১৪দা মাংজিল থাবা ঙমখি। মদুগী মখা তারকপা পোইন্টশিং সাইনাদগী ইন্দোনেসিয়াগী শান্নরোই অদুনা হেনগৎপা ঙমদনা অনিশুবা গেম অদু ২১–১৭দা থোইদুনা ফাইনেল য়ৌরকপনি।

হয়েং ফাইনেলদা সাউথ কোরিয়াগী ৱার্ল্ড নম্বর ৮ সুং জি হিয়ুনবু য়াম্না অকনবা লম্বাদা ২১–১৭, ১৫–২১, ২১–১৬দা থোইরম্বী ৱার্ল্ড নম্বর ১ স্পেনগী কেরোলিনা মারিনগা লম্বা তৌনরগনি।

পনবা য়াই, ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী মমাংগী চেম্পিয়ন্সিসু মরিননা লৌখিবনি। অদুবু সাইনা নেহৱাল অমসুং মারিনগী মরক্তা মমাংদা মেটচ ৪ শান্নবদা সাইনানা ৩ থোইরগা মারিননা ১ থোইবা ঙমখিবনি। হায়রিবা মেটচ অমা অদু চহি অসিগী মার্চ থাদা লন্দনদা পাংথোকখিবা ওল ইংলেন্দ বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপকী ফাইনেলদা মারিননা থোইরম্বা অদুদনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস কাংলুপ্তা ৱার্ল্ড নম্বর ১ চাইনাগী চেন লোং অমসুং ৱার্ল্ড নম্বর ২ দেনমার্ককী জন ও জোরগেন্সেগা লম্বা তৌনরগনি।

চেন লোংনা ঙসি সেমি ফাইনেলদা জপানগী কেন্তো মোমোতাবু ষ্ট্রেট গেমদা ২১–৯, ২১–১৫দা মায়থিবা পীখি। অমরোমদা ৱার্ল্ড নম্বর ২ জোগেন্সেনা মহাক্কী সেমি ফাইনেল মেটচতা মালেসিয়াগী শান্নরোই লি চোং ৱৈবুসু ষ্ট্রেট গেমদা ২১–৭, ২১–১৯দা থোইরম্বনি।



*ৱার্ল্ড বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপকী নুপীগী ফাইনেলদা লম্বা তৌনগদৌরিবা সাইনা নেহৱাল অমসুং কেরোলিন মারিন*



### JOB VACANCY

Regd. No. 1400621-03550 pt - 1 (Micro) Govt. of Manipur

| Sl. No | NAME OF POST | POST | QUAL | SALARY |
|---|---|---|---|---|
| 1. | DIRECT SELECTION OF AIRPORT VACANCY FOR DOMESTIC AND INTERNATIONAL | | | |
| i) | Ground Staff, Air Ticketing, Loader, Cabin Crew, Cargo Driver, Flight Cleaner. | 30 | VIII-XII | 12000-25000 |
| 2. | BANKING STAFF FOR NEWLY OPENING DISTRICT WISE IN MANIPUR (6 months training with salary) | | | |
| i) | Account Opening, Sitting Staff, Loan Recovery, Mobile Banking, Gold Loan, Credit Card Officer, ATM Security, Bank Security | 30 | X-Grad | 18000-26000 |
| 3. | DIRECT JOINT, SEMI GOVT/MICRO FINANCE/OTHER (100% Success) | | | |
| i) | Choukidar, Helper, Grasscutter, Cook, Mali, Sweeper, Peon, Driver, Security, Gunman | 20 | VIII-Above | 5500-8500 |
| 4. | Pvt. OFFICE, HOTEL, HOSPITAL, MNC-COMPANY STAFF IN IMPHAL | | | |
| i) | Reception, Asst. Manager, Data Entry, Asst. Manager, Computer Operator, B.P.O, GNM/ANM, X-Ray, R.O. Lab, Technician, Mall Reception | 38 | VIII-XII | 4500-7500 |
| 5. | DIRECT JOIN FOR NORTH EAST (fooding-loading fee) | | | |
| i) | Staff Nurse, ANM, JNM | 10 | X-Grad. | 17000-25000 |
| | ইশাগী অহাংবা মতমদা Extra-income তান্নীংবা, Student, Housewife, Un-employed, Employed শিংদগী দরখাষ্ট কৌজরি, Qualification : VIII - above, Income : 10,000/- – 25,000/- per month | | | |

Interview : 28th August, 2015
Last Date : 27th August, 2015
# 9856470948, 8014741601, 8731061709
SL/12, 14, 17, 18, 19, 20, 21, 22, 24, 25, 26, 27

Sd/-
Rising Star Collaboration
Kwakeithel Thoudabhabok,
Near Akash Institute/New Checkon
Singh Publicity building, 4th Floor

### যাহৈনৎ/Piles ওপরেসন তৌদনা ফহল্লসি



নুংশংগা মরী লৈনবা লাইওং খুদিংমকঃ– নুংশং পেরে, কক্লাই, পোম্বা–তঙবা, অমাংথোং–নাম্থবা, চেকখাইবা, হাক্কৎচবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, মরেং–মরেং চৎপা, চক–চক থিনবা, তিল লৈবা, নাই চারগা পোম্বা অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেসতুলা), মচুম তাবা, ঈ তাবা, ঈ–অমাংবদা তৈরকপা, ঈ–দ্রোপ–দ্রোপ তাবা, ঈ–পেচাগরিদৌনা কাপ্পা, চনপ–চনপ লাওবা, মনুংদা পোম্বা (হেমোরোয়র্দ), মনুংদা চাথৎপা, নাকল অমা চোম্থরকপা, মনুংদগী মতুম ওইনা ইন্থরকপা, পিক্কা মরি অমা ওইনা ইন্থরকপা, চিকপা–শাবা, মপান অকোয়বা থাগৎপা, ফ্রা–ফ্রা লাওনা ইন্থরকপা, অমাংবা চেপ্পগা লাকপা, সনারৈ অথোনবদৌনা শাৎতোকপা, অরোয়বা তাঙ্কক হায়বদি খুৎনা ইনশিনবা চংদ্রবা (পদ্রাক পদ্রাক তারবা), লিভর চাওথোকপা অমদি ওপরেসন তৌরুরগা অমুক হৌরকপা হায়রিবা লায়ওংশিং অসি ওপরেসন তৌদনা য়াম্না লায়বা মওংদা ফহনবা ঙমজরে। মরম অদুনা মীয়ামগী লায়েংনবগী খুদোংচাবা থমজরি।

লায়েংজরিবা – ***Naorem Ibomcha Meitei***
Heingang Awang Leikai, Saya Club,
Imphal East-795002, P.O. Mantripukhri, P.S. - Heingang P/S
SL/C/30 Days Contact No. 8729960411, 8014023792



## শ্রিলঙ্কাগী রঙ্গনা হেরাটকী স্পিননা ইন্দিয়াবু অহানবা টেষ্ট মেটচ রন ৬৩দা থোইখ্রে

টৈরোসা, আগষ্ট ১৫ ঃ

ঙসি ইন্দিয়ানা শিলঙ্কাগা শান্নবা টেষ্ট মেটচ অদু মায় পাক্লনবা মরিনিশুবা নুমিৎতা রন ১৫৩ লৌরগা মায় পাক্কদবা অদু শিলঙ্কাগী বোল্লর স্পিনর রঙ্গনা হেরাটনা ৱিকেট ৭ লৌদুনা ইন্দিয়াবু য়াম্না ফজবা মওংদা রন ৬৩দা মায় পাক্তুনা টেষ্ট মেটচ ৩গী সেরিজ অদু ১–০দা মাংজিল থাবা ঙমখি।

ঙরাং ইন্দিয়ানা অহানবা ইন্নিংস শান্নবা হৌরকপদা মায় পাক্লনবা দরকার ওইখিবা রন ১৭৬ অদু লৌননবা হোৎনরকপদা রন ২৩দা ৱিকেট ১ তুদুনা ঙসি রন ১৫৩ লৌনবগী টার্গেট লৈখিবনি। নিংশিংবা য়াই, টেষ্ট মেটচ অসিগী টোস শ্রিলঙ্কানা ঙমদুনা হান্না বেট্টিং তৌরকপদা রন ১৮৩ লৌখি। মদুগী মতুং অনিশুবা ইন্নিংসতা দিনেস চানিদমাল আউট ওইদনা লৌখিবা রন ১৬২গী পার্ফোমেন্সনা ফজহন্দুনা পুন্না রন ৩৬৭ লৌখি।

ইন্দিয়ানা মখোয়গী অহানবা ইন্নিংসতা রন ৩৭৫ লৌবা ঙমখিবনি। মদুনা মরম ওইদুনা মায় পাক্লনবা রন ১৭৬কী টার্গেট লৈখিবনি।

ঙসি ইসান শর্ম্ম অমসুং রোহিট শর্ম্মনা ইন্নিংস অদু মখা তারকপদা রন ৩৪ য়ৌরকপদা মখোয় অনিমক শ্রিলঙ্কাগী স্পিন্নর হেরাটনা আউট তাহনখি। কেপ্টেন ভিরাট কোলি শ্রিলঙ্কাগী অতোপ্পা বোল্লর টি কোসলগী মখুৎতা রন ৩দা আউট ওইখিবদগী স্কোর বোর্দতা রন ৪৫ য়ৌরকপদা বেটচমেন ৪ আউট ওইদুনা ফিভম য়াম্না শোকচিনখি। ওপ্পনর সিখর ধৱন অমসুং অজিনকিয়া রহানেনা ৫শুবা ৱিকেট পার্টনর্সিপকীদমক রন ১৫ হাপচিনবা লৈরিঙৈ ধৱনবু কোসলানা অমুক হন্না আউট তাহন্দুনা রন ৬০দা বেটচমেন ৫ তুখি। স্কোর বোর্দতা রন ৭ খক হাপচিন্দবদা সহা অমসুং হরবজন রন ২ অমসুং ১ লৌরম্লগা আউট ওইখি। অশ্বিনবু হেরাটনা রন ৩দা আউট তাহনখিবদগী রহানেনা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা রন ৩০ লাম্থোরকখিবনি। মহাক রন ৩৬তা আউট ওইখিবদগী ইন্দিয়াগী ১০শুবা বেটচমেন মিশ্রাসু ইকান কান্নদা আউট ওইখিবদগী অপুনবা রন ১১২দা বেটচমেন ১০ মক আউট ওইদুনা অহানবা টেষ্ট মেটচ অদু ইন্দিয়া শিলঙ্কাগী মখুৎতা রন ৬৩দা মায়থিখি।



*ইন্দিয়াবু রন ৬৩দা মায়থিবা পীদুনা অহানবা টেষ্ট মেটচতা মায় পাক্লবা শ্রিলঙ্কাগী শান্নরোইশিংনা হরাওবা*

## অবিসেক গোল্ড ফংখ্রে, মিক্স টিম সিলভর ফংহৌরে

রোক্লো, আগষ্ট ১৫ ঃ

পোলেন্দগী সহর রোক্লোদা চৎখরিবা আর্চরি ৱার্ল্ড কপ ষ্টেজ ৩ ঙসি পাংথোকখিবা নুপাগী ইন্দিভিজুয়েল রিকর্ব ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী অবিসেক বরমনা গোল্ড মেদল ফংখ্রে। রিকর্ব মিক্সতা ইন্দিয়াগী টিম সিলভর ফংহৌরে।

অবিসেক বরমানা ফাইনেলদা ইরানগী ইসমেল ইবানিগা লম্বা তৌনবদা পোইন্ট ১৪৮–১৪৫তা মায়থিবা পীখিবনি।

পনবা য়াবদি, মমাং চহিদা পাংথোকখিবা এসিয়ান গেমসতা অবিসেকপু ইভেন্ট অসিমক্তদা ইবাদিনা গোল্ড মেদল মেটচতা মায়থিবা পীরম্লগা সিলভর ফংখিবনি। ঙসিগী মদুগী লমন শিংবা ঙমখ্রে।



*রিকর্ব ইন্দিভিজুয়েলদা গোল্ড মেদল ফংলগা ইন্দিয়াগী অবিসেক বরমা*

রিকর্ব মিক্স ফাইনেলদসু ইন্দিয়াগী দিপিকা কুমারি অমসুং মঙ্গলসিংহ চাম্পিয়া মেক্সিকোগী টিমগী মখুৎতা য়াম্না নক্লবা স্কোর ৩–৪দা মায়থিদুনা সিলভর মেদল ফংহৌখি।

ঙসি অঙনবদা পাংথোকখিবা নুপাগী রিকর্ব টিম ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী অবিসেক, রজট চৌহান অমসুং কৱল প্রিট ইটালিগী টিমগী মখুৎতা ২৩০–২৩৩দা মায়থিদুনা ব্রোঞ্জ মেদলগী মেটচ অদু ইটালিগী ওইখি।

## য়ুনাইটেদেনা এষ্টোন ভিলা থোইখ্রে এভরটনসু অনিশুবা মেটচ মায় পাকখ্রে

লন্দন, আগষ্ট ১৫ ঃ

২০১৫–১৬কী ইংলিস পেমিয়র লীগকী অনিশুবা চয়োলদা ঙরাং মেঞ্চেষ্টর য়ুটাইটেদেনা এষ্টোন ভিলাবু ১–০দা থোইখ্রে। ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা এভরটননা সাউথমটমবু পাঞ্জল ৩–০দা মায়থিবা পীখ্রে।

মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদ এষ্টোন ভিলাগা শান্নবা মেটচ অদুদা ফজবা ঙমখি। টিম অদুগী জনুজাসনা শান্নবগী ২৯শুবা মিনিটতা মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা এষ্টোন ভিলাবু মাংজিল থাদুনা চৎখি।

নিংশিংবা য়াই, মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদ অমসুং এষ্টোন ভিলা মখোয় মখোয়গী অহানবা লীগ মেটচশিং মায় পাক্তুনা পোইন্ট ৩ / ৩ ফংদুনা লাকখিবনি। ঙরাং শান্নখিবা মেটচ অদুগী অঙনবদা য়ুনাইটেদনা পাঞ্জল অমা চনশিনখিবা অদু এষ্টোন ভিলানা অহানবা হাল্ফ লোইশিল্লকপা হন্দাকপা ঙমদনা লৈখি।

মেটচকী অনিশুবা হাল্ফ শান্নবদা য়ুনাইটেদনা মাংজিল থাখিবা পাঞ্জল অদুগী মথক্তা অহেনবা হাপচিন্দবা হোৎনরকখিবশিং অদু ভিলাগী দিফেন্দরশিংনা নিংথিনা ঙাকথোকপা ঙমখি। অদুবু মখোয়দি ইক্বেলাইজর ফংবা ঙমদনা মেটচ অদু মায়থিখি।

য়ুনাইটেদনা ঙরা মায় পাকখিবা অদু সিজন অসিগী অনিরকশুবা মায় পাকপনি। মখোয়না পোইন্ট ৬ ফংলগা পোইন্ট টেবলদা মাংজিল থাদুনা লৈরি।

ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা এভরটননা সাউথমটনবু পাঞ্জল ৩–০দা মায়থিবা পীখি। ঙসিগী মাংওইননা মখোয় মখোয়গী অহানবা লীগ মেটচশিংদা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট অমমম ফংনদুনা লাকপনি। শান্নবগী হৌরকপদা এভরটনগী লুকাকুনা ২২শুবা মিনিটতা অহানবা পাঞ্জল চনখি। অহানবা হাল্ফকী অরোইবা মিৎকুপ্তা মহাক্না পাঞ্জল অমগা হাপচিন্দুনা ২–০দা সাউথমটনবু এভরটনবু মায়ংজিল থাখি। অনিশুবা হাল্ফ সাউথমটনগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদে। শান্নবগী ৮৪শুবা মিনিটতা এভরটনগী বারক্লেনা পাঞ্জল অমগা হাপচিন্দুনা মেটচ অদু ৩–০দা থোইখি।



*মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদ অমসুং এষ্টোন ভিলাগী শান্নরোই অনিনা বোল মুন্নবা*


## বর্সেলোনাবু বিলবাউনা থোইখ্রে

সেন মামিস, আগষ্ট ১৫ ঃ

স্পেনগী সুপর কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা মমাং সিজনগী লীগ চেম্পিয়ন ওইবতা নত্তনা কোপা দেল রেগী টাইটলসু ফংখ্রবা বর্সেলোনা ক্লবপু মমাং সিজন কোপা দেল রেগী রন্নর্স অপ তাখ্রবা এথলেটিক বিলবাউনা ঙরাং শান্নবা অহানবা লেগতা পাঞ্জল ৪–০দা থোইবা ঙমখ্রে।

ঙরাং এথলেটিক বিলবাউগী হোম গ্রাউন্দ ওইখিবা সেন মামিসতা শান্নখিবা অহানবা লেগ অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদু বিলবাউগী সেন জোর্সনা চনখি। মদুগী মতুং অহানবা হাল্ফতা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে। অনিশুবা হাল্ফতা বিলবাউগী ষ্ট্রাইকর এরিটস এদুরিজনা হেট ত্রিক অমা ফংখিবদগী বর্সেলোনগী আশা কায়খিবনি।

য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়ন্স লীগকী টাইটলসু লৌবা ঙম্লিবা বর্সেলোনাগী টিম ঙরাংগী মেটচ অদুদা এটেক তৌবা য়াম্না হন্থখি। লোয়ননা মখোয়গী দিফেন্দরশিংগী মায়কৈদগী অশোইবা কয়া য়াওখিবা মরমনা য়াম্না চাওনা পাঞ্জল ৪–০দা মায়থিবা নংখিবনি।

# BEEHIVE COLLEGE
DEHRADUN
AICTE & Govt. of India Approved,Affiliated to Uttarakhand Technical University, HNB Garhwal Central University & Shri Dev Suman University.
INSPIRING THE GENERATION
B.Tech MBA
BSc. Agriculture
BBA BCA BSc IT BPT
BSc Forestry Biotech
MSc Biotech Microbio
MSc Chemistry IT
13 Glorious years | 20 Acres of Green Campus | 1500+ Placements in last 3 years | Ranked No. 1 in Uttarakhand
LOCAL OFFICE: Career Info Solution, new checkon road, Imphal East. Ph. 09863316795, 8415938202
CAMPUS: Central Hopetown, Selaqui, Dehradun, Ph. 081262 66666, 01356451516


## ইম্ফাল ৱেষ্ট লীগ হৌরগনি

ইম্ফাল, আগষ্ট ১৫ ঃ

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসননা শিন্দুনা হয়েংদগী মালোম টুলিহল তেরা খা মখা লৈকায় লম্পাক্তা ১৬শুবা এস বিরচন্দ্র সিংহ মেমোরিয়েল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৫ হৌদোকপগী থৌরম নুংথিলগী পুং ১২ তাবা মতমদা পাংথোক্লগনি।

হৌদোকপগী থৌরমদা জেনিট একাদেমিগী ডাইরেক্টর এস মনাওতোন সিংহ, এফ সি আইগী এসিষ্টেন্ট মেনেজর রিটয়ার্দ কে কুবের সিংহ অমদি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট এস সনাতোম্বা সিংহনা মথং শিংনা চিফ গেষ্ট, গেষ্ট ওফ ওন্নর অমসুং প্রসিদেন্ট ওইগনি।

টিম ৭না শরুক য়াগদৌরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী হৌদোকপগী অহানবা মেটচতা এস য়ু শগোলবন্দগা ৱাই দল্লীয়ু সি মালোমগা শান্নগনি।

মথংগী নুমিৎ তাং ১৭তগীনা এসোসিয়েসন অসিমক্না শিন্দুনা পাংথোক্কদৌরিবা ২২শুবা এল সঙ্গিতা দেবী মেমোরিয়েল ফর্স্ত দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৫ হৌদোকপগী থৌরম নুংথিলগী পুং ১২ তাবা মতমদা বিরচন্দ্র ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট পাংথোক্কদবা গ্রাউন্দ অসিমক্তদা হৌদোক্লগনি।

হৌদোকপগী থৌরমদা জিলা পরিষদ মেম্বর এস সুবাস সিংহ, সোসিয়েল ৱার্কর এন নীপামচা সিংহ অমদি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েনগী প্রসিদেন্ট এস সনাতোম্বা সিংহনা মথং শিংনা চিফ গেষ্ট, গেষ্ট ওফ ওন্নর অমসুং প্রসিদেন্ট ওইগনি।

অহৌবা মেটচতা সাই আর সি তাকয়েলগা ফ্লাইও থাংমৈবন্দগা শান্নগনি। টুর্নামেন্ট অসিদা টিম ৯না শরুক য়াগনি।

## ঙসি জর্নেলিষ্ট সুট্টিং কম্পিটিসন পাংথোক্লগনি

ইম্ফাল, আগষ্ট ১৫ ঃ

চহি খুদিংগী লেপ্তুনা পাংথোক্তুনা লাকপা জর্নেলিষ্ট সুট্টিং কম্পিটিসনগী ৫শুবা এদিসন থা অসিগী তাং ১৪দা পাংথোক্কনি হায়না তৌরম্বা অদু লৈবাক্কী ওইখিবা ফিভমনা মরম ওইরগা য়ৈথোক্তুনা লাকখিবা অদু হয়েং অয়ুক পুং ৮তাবা মতমদগী নুংথিল পুং ১ ফাওবা খুমন লম্পাক সুট্টিং রেঞ্জদা পাংথোক্লগনি।

কম্পিটিসন অসিদা শরুক য়ানিংবা তোঙান–তোঙানবা মেদিয়া হাউসশিংনা থবক তৌরিবা মীওইশিংনা শরুক য়াবা য়াগনি। কম্পিটিসন অসিদা ষ্টেন্দর রাইফল প্রোন অমদি ষ্টেন্দর পিষ্টলদা অথোই অহেন তান্নগনি।

কম্পিটিসন অসি মণিপুর রাইফল এসোসিয়েসননা শিন্দুনা চৎখরিবা ২৫শুবা ওল মণিপুর সুট্টিং কম্পিটিসন ২০১৫গী শরুক অমসু ওইরিবনি।

## নিসিকোরিনা নদাল থোইদুনা সেমি ফাইনেল চংখ্রে

মোন্ট্রিয়েল, আগষ্ট ১৫ ঃ


জপানগী ৱার্ল্ড নম্বর ৪ শান্নরোই কৈ নিসিকোরিনা ঙরাং কানাদাগী সহর মোন্ট্রিয়েলদা শান্নরিবা রোজর্স কপ টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ক্বার্টর ফাইনেলদা ৱার্ল্ড নম্বর ৭ স্পেনগী রফেল নদালবু মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চংখ্রে।

নিসিকোরিনা নদালবু ৬–২, ৬–৪দা থোইদুনা সেমি ফাইনেলদা ৱার্ল্ড নম্বর ২ শান্নরোই বৃটেনগী এন্দি মুরেগা লম্বা তৌনরগনি।

ঙরাং শান্নবা অতোপ্পা মেটচ অমদা ৱার্ল্ড নম্বর ১ জোকোবিসনা লাটভিয়াগী অর্নেস গুলবিসপু ৫–৭, ৭–৬ (৯–৭), ৬–১দা থোইদুনা সেমি ফাইনেলদা য়ু এসকী জোন ইসনরবু ৬–৭(৯–১১), ৭–৬ (১৫–১৩), ৭–৬ (৭–৪)দা থোইরম্বা ফ্রান্সকী জেরিমি চার্দিগা লম্বা তৌনরগনি।

নুপীগী কাংলুপ্তা ৱার্ল্ড নম্বর ১ সেরিনা ৱিলিয়মস অমসুং অনা ইবানোবিসপু থোইরম্বী স্বিটজরলেন্দগী বেলিন্দা বেনসিককা সেমি ফাইনেল শান্নরগনি। অদুগা অতোপ্পা সেমি ফাইনেলদনা রোমানিয়াগী সাইমোনা হলেপ অমসুং ইটালিগী সরা ইরানিগা শান্নরগনি।

নুপীগী দবসলতা ইন্দিয়াগী সানিয়া মির্জা অমসুং স্বিটজরলেন্দগী মর্টিনা হিঙ্গিস সেমি ফাইনেলদা ফ্রান্সকী সি গারসিয়া অমসুং স্লোবেনিয়াগী কেটারিনা স্রেবোটনিককা লম্বা তৌনরগনি। সানিয়া অমসুং মার্টিননা ঙরাং চাইনিজ টাইপৈগী ঐচ সি চান্দ অমসুং ৱাই জে চান্দবু থোইরম্বনি।



*রফেল নদালবু মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রবা জপানগী নিসিকোরি*